ৱারী ককনাউ

# কৈকান্নবনোদা!

অহিংদু নিংথেম শুক্তুম তুমখিদে। চহী অমা ফানিংচিৎ পীরক্ত্রবা চিঠিগী পাউখুম মেমচানা হল্লকপা নুমিত্তু নিংথেমগী পুন্সিদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা নুমিৎ অমা ওইখি। চিথিদু পংশাং শাংববুদি নত্তে, মদু নিংথেমনা হুম্ফুনিথোইরক কুপ্বা শুরম্মনি হঞ্জিন-হঞ্জিন পারিসে। মমানা চাক লোইরে চাররো হায়বফাও নিংথেম তাহৌদে। পারিখৈ পেনখিদে। অহৌবদা ইরিবা, 'তাই'থেম নুংশিবা' হায়বা ৱাহে অনীসিদা ওইরে নিংথেম্না মমায়-মকোক খঙদখৈ ফমুংদা থরো-থরো ওল্লিসে। উপনা'মুক, চেপনা'মুক, পৈনা'মুক, খা-ৱাং মফম মরাং খঙদে, চিঠিদুদা হঞ্জিন্না পাবদা নিংথেমদু অয়ূক্তা চিকন কেজি অমা লৈরগা মথন্তা মহী কংনা ঙৌরগা চাখিবদুদি শুরু-শুরু তুমখ্রে। মাগী নোকফেৎসি কুইরে, নুদাংৱাইরমদগীনি তৌরক্লিবা। য়েন্নিং থাদা হৈখা মপান্না পুমঙৌ ঙৌনা শাবদু ঙাইরে, মশাদু নোকফেৎনা পুময়োম য়োমখৈ মপান শারে নিংথেমদু। সুমাইনা মানা তমজরিবা লাইরিক্তুদা নুংতিগী ওইনা পুঞ্খায়মুক্তং থৱায় য়াওনা পাবদা করিগী মেত্রিক্তা অহুল্লক শুদুইনো? মশাগী লাইরিক্তি মতে থোক্লবদুঙাই, শম্নদে। মাইবী লাই তোংবদৌনা মপানা নিংথেমসি লাইরিক্তদি ওইররোই হায়না হেক হেক চৈবদো য়াম চুমখ্রজাৎনি।

কুইদে, নিংথেমগা মেমচাগসি খুনুংসিনা অমনি। নোংমগী হায়ফেৎকা উনহৌদ্রদি লৈবা ঙম্নদে। লৈকায়না মীৎ নাই হায়দু হেক য়ৌই। অদুক নুংশিনখ্রবা মখোয়নিদো চহী ওল্লকপগী য়াওশঙ মতুং হুমনি চনবগী নোংঙাল্লকপদা মেমচাদু ইম্ফাল লৈকায়গী মখোয়গী খুনগী লন্বীদা কোয়লাস থাবগী থিকা লৌরিবা, থিকাদার চাউথোইদা চেনখ্রে হায়না ৱা-ৱা হেক্তা লাউনরকই। নিংথেম উপ্পগা খাঙই হায়দু হেক য়ৌই। ইকায়বগী মথক্তা মথম্মোয়সি সেগাক লাউনা কায়বনি। হু থক্লগা শিরসিরা ফাও য়ৌই। অদুবু লৈকায়গী মমান্নবা অমগা ৱারী শানবদা নিংথেমবু থিনা চৈখি।

"নৱা লৌদে, নুপীমচা অমা কায়নবগীবু ৱাথী-ৱারেম, নঙগী ৱারীদু মীনা ফুঙ্গা ৱারী ওইনা লীনহৌনবা নুপা মান্দবা, শিরগে গাইনা তানিংদে-চো"

"মায়' মতৌসে ঐ য়াম পেন্দে ইতাও'

"নুপী হায়সিদি চাম্মা কোয়গদবনি, মরিফুতরামাপন কায়নগদবনি। অমা কোয়রগা অমা কায়নবগী শিরগে গাইদুদি ঐদি নোকনীংবনা শিরেদা। ঐনা কোয়রিসি কয়ানো? হাপ্তামুক্কী মমাঙদা বিনোদু কায়নৈদনা, কায়নদ্রা? মাগী মহুৎ শাবল লৈকায়গী তোনদোন্না শিল্লেদনা হৌজিক। নহান্না থোইবিস্নাদু ফাগী ফাগীদগী কায়নরে, ঐ শিগে হায়ব্রা? কৈকান্নবা ৱাথী-ৱারেম"

"বিনোদুসু অতোপ্পা নুপা অমদা চেনখ্রি নৎত্রা?"

"চেনখ্রিনি, অদো ঐ কৈসু খনবীদে। ঐদি য়ূম পানখিরোই হায়না চেনবিদবগী ৱানি। ঙাইখো ইতাও, নঙনা হায়ফেৎ হোপ চাবা, তোৰ্ব্বান লৈকায়দা অমা লৈদাই?"

"লৈ"

" আ:-আ: করি'য়ে মায় মমিংদো?"

"ইবেল্লে"

"ও: মা থোক কোয়শিল্লো। নঙ মেমচাগী ৱাখলগা শ্বাই লাউনা মাঙখ্রদবনি"

"অৱাবসি কোক্কদ্রা ইতাও?"

"অশ! নুঙাইখিদ্রেদা, তনবা অমা য়াওইহে নঙসিদি। অঙাং মচা নিংঙাই তৌগনবনা মশা শাগৎপদা হীদাক পীথকপদু ঙাইহে। ঐনা হায়সিবু নঙগী ফৎতনবরো?"

"ইতাও ইবেল্লেদু, ঐ হেক উবগা নোকফেৎ তৌজবনি"

"তো অদুনি, অদো তঙ্খাই অমা য়ারবনি, ঙাইখো নঙদি?"

"ঐসু অদুম তৌই"

"অদুদি ৱা লোইরে, মেমচা কায়নবগী মৈচাক্তুদি নুংশিহীদাক চাবদা নুংশিৎ তুম্বগুম তুমখ্রদবনি। নথম্মোয়দুদা মাগী মমি মচেৎ অমফাওবা তাহৌররোই। ইবেল্লেগা নঙগগী অনৌবা ৱারীনা পীক থনখ্রগদবনি। মেমচাদা পংতাই তাইনবগীসু কান্নরোই, নঙগীসু নরাল অমা লোন্না লৈরম্মীসিনি। ইবেল্লেগা লোন্না চাক্লরম্মীদুনি। মীঙোন্দতা পংতাই তাইনরুনু। মেমচাসু মেমচাগী থোকপা, নঙসু নঙগী থোকপা, য়ারেকো"

'ও য়ারে ইতাও মেমচাগী ৱা হৌদোকপীরক্লনু"

"ঙাইখো নঙ হৌজিক শিনীংলিব্রা?

"শিনীংদ্রে"

"তো অদুনি, নুপা মানগদবনি। মতুনা মৱা হাৎলবা, মৱানা মতু হাৎলবা মতমসিদা, ইস! নথম্মোয় শেংফাত্তবা নঙনা মথম্মোয় শেংদবী নুপী অমা কায়নবগীবু হু থক্লগে গাইনা, কৈকান্নবনোদা"

মেমচাদু লুহোংখ্রে। লুহোংবা নুমিত্তু নিংথেমগা ইবেল্লেগা দেট চৎলি, কায়নগুমসি ৱাশক্লে। খঙদে খোংবান কয়া চোঙবদা কোক্কদবা ৱাশকনো হায়দুদি? ■

– নরেন্দ্র নিঙোম্বা

মতম মতমগী ৱাফম

# নম্বুল তুরেলগী হিদেন তাফম নীংশিংলকই



মমাংঙৈগী নম্বুল তুরেল



হৌজিক্কী নম্বুল তুরেল

অচৌবা সমুদ্র লৈজদবা ঐখোয়গী লমদমসিদদি তুরেলশিং অসি য়াম্না মরুওইরকই। ঐখোয়গী পুন্সি মহীংদা টোটি ঈশিং পাকশন্না শীজিন্নরকখিবা কুইদ্রি। পুখ্রিগী ঈশিং তুরেলগী ঈশিংনা ঐখোয় হিংলকখিবনি। ঙসিসু টোটি ঈশিং ফংদবা মফমদদি পুখ্রি অমদি তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নবা য়াওনরিবনি। অসুক মরুওইখ্রবা পুখ্রি অমদি তুরেলগী মরুওইবসি ঙসিগী মীরোলনা মমল লৈতনা লৌনখি। লম তাঙনরকপনা পুখ্রি ফুনজিন্নরকখি। তুরেল মরিলশিং মোৎশিলহনলকখি। তুরেলগা নক্লবা তোৰ্ব্বানদা লৈবশিংনা হেন্না তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নে। তুরেলগা নক্লবা খক্তগী ৱা নত্তনা মতম অমদি তুরেল তান্না চৎনদুনা ইরুজনখি, ফি শু-চাম্বা চৎনখি। তুরেলগী ঈশিংনা চাক ঈশিং থোংনখি। তুরেলগী ঈশিংসু অদুক্কী মতীক তশেং তশেংই, য়েংবদা লূনা উখি। তুরেল খোঙনুংদগী লৈঙোই চোচ্রোবী পেক্লখি। তুরেল মপান্দগী ফক্লাং ৱাই তৈনবা লৈঙোই লৌনরমখি। লৈকাই অমগী মপা মপাদা হিদেন তাফম হায়দুনা লৈনরকপা মফম ঐখোয় খঙহৌখি।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা নম্বুল তুরেল মপান য়াম্না পাক্লরম্মী। ঙসি লমজাও থৎলগা চোংনরিবা থাবল, শুম্মাং লীলা তৌফম তুরেল মপানগী লম্পাক্তনি। মফম খরদদি তুরেল খোংনুং নক্লা শুমাং লীলা শান্নবা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা য়েংখি। নম্বুল তুরেলগী হিদেন তাফম, তুরেল মপানগী লম্পাক অমমগী ৱারী ফাওবা লীনখি, লৈনরকখি। নম্বুল তুরেলগী ৱা ঙাক নত্তবদা মণিপুরদা লৈরিবা তুরেলশিংগী হিদেনগী ৱারী, তোৰ্ব্বান লম্পাক্কী ৱারী লৈকাই লৈকাইগী মফম খূদিংমক্তা লৈনরমগনি। অসুক মরুওইনা লাক্লখিবা নম্বুল তুরেলনি।

ঐগী মীৎতা উরি, লংবনগী তর্পন হৈশোয় অহল লমনশিংনা নম্বুল তুরেলগী ইচেলদা কৎনখি। লূরবা নম্বুল তুরেলগী ইমাইদা লংবনগী হৈশোই হৈজাং(মৈতৈগী ইঙ্খোলদা পান্নবা চমপ্রা চাওরপ তৌবা মখল), থবি, হৈনৌজম,লফোই, চু, তিংথৌ নাপি অসিনচিংবা অচম্বা হৈশোয়শিং য়ূমগী অহল লমন্না কৎনখিবনি। হৈশোইশিংনা লুপফেৎ লুপফেৎ তাওরগা চৎখি । হৈশোইশিংবু খুন্নবগীদমক নুপামচা ইরোয়বদা, লূপ্পদা হৈরবশিংনা ফৈজোম ইথোক থোক্লা খুন্ননবা চোংথনখি । কোইতান তান্নবা কয়ানি। নম্বুল তুরেল খোংনুংদা লৈকাইগী ইচে ইচলশিংনা চেংহি উতি লুনৈ, মকোক মরু থাদোক্লা ইরু লুজনৈ। মখোয়না কাখ্রগা ঐখোয় নুপামচা ময়াম্না অমুক লুগদবগী ঙাইদুনা লৈনৈ। নম্বুল তুরেল মতম অমগী গঙ্গ তুরেলগুম্বনি। তুরেলগী লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিংদা পুং কয়া লূপ্পগা তিংদুনা লৈনৈ, ইরোয়দুনা শান্নরকখি। অহ! কয়াদা নুংঙাইবা মতমনো ?

ঐনা অমসু নীংশিংলি,নম্বুল তুরেল খোংবান্দা হৌবা 'তিনসিবী' হায়বা তিঙ্খং পানবা মরি চৎপা পান্বী অমগী মহে মরবল মরুমুক চাউবা হেকলগা শান্নরকখি। তিনসিবী মরু অসি মতমদুদা কাং শান্নবদা কাংখিল ওইনা খিন্দুনা শান্নখিবসু উখি। মতমদু নুপামচা পুংকক চাউরকপা মতম ওইরমগনি। নোংমা তিনসি মরু হেক্লিঙৈ নুংথিলগী মতম অমদা তুরেল ৱাংমদগী ঐখোয়রোম থংবা মাইকৈদা লৈবা হিদেন তম্না লৈশাবী অমনা ফি ময়োম মচা অমা পুরগা লান্থোকলকখি। মহৌশানা নম্বুল তুরেলগী হিদেন তাফমসি তুরেল ৱাংমা ৱাংমা অনীগী লান্থোক লানশিন মপা ওইনবসু য়াওই।

লৈশাবী অদুনা ঐগী নাক্তা চঙশিল্লক্লগা ঐ কদৱাইদগীনো হংখি। ঐনা স্বাইদগীনি হায়রুবদা মহাক্লা পুরক্লিবা ফি ময়োমদু ঙাইহাক্তা পায়রম্মু হায়না শিন্নরম্লগা অমুক হন্না নম্বুল তুরেল লান্থোক্লগা চৎখি। মহাক য়াম্না থুনা লাক্কনি লৈরম্মু হায়রমখি। ফনা কুইনা লৈশাবীদু লাকখিদে। ঐনা কিদুনা য়ুমদা থুনা হন্নীংলকখি অদুবু শিন্নরম্বা ফি ময়োমদু য়াওবনিনা নুপীদুনসু লৈরমখো হায়বদুদা পাখৎনা মহাক লাকপা ঙাইখি। লাকমিন্নবা ইমান্নবদুদি শাওনা ঐ হুন্দোকলম্লগা চৎখি। ঙাইহাক লৈরগা লৈশাবীদু ফি ময়োম মচা অমগা অমুক পায়রগা নম্বুল তুরেলগী হিদেন তাফমদু লান্থোকলকখি। ঐঙোন্দা শিন্নরম্বা ফি ময়োমদু লৌখি। তুরেল মপান্দগী কাখৎমিন্নরকখি। একাগারি তোংবা পাখং অমনা মাবু ঙাইরমখি। নুপাদুগী একাগারি মনিং নপ্পগা মখোয় অনী চৎমিন্নখি। লৈশাবীদুনা ঐঙোন্দা মোমোন নোক্লগা কনামতা হায়দোক্কনু হায়রমখি। ঐ ৱাফমদু করি হায়রিবনো অঙাং ওইবনিনা খঙখিদে। তুংদা নুপা অমনা শাওনা তুরেল লান্থোকলক্লগা তান্নরকপগুম তৌই। নুপাদু নিংশা থবেৎ থবেৎ হোল্লি। অশাওবা মায়থোং লোয়নরকই। ঐ তম্না চেনশিল্লকই, ঐঙোন্দা ওনশিল্লকই- ইবুংঙো শোমদা নুপী অমা চৎখিবা উব্রা ? ঐনা খুমখি-নুপা অমগী একাগারি মনিংদা তোংখ্রে হায়দোক্কনু হায়রম্মী। ঐ ৱাহৈদু হায়রম্লগা য়ুম তান্না কন্না কিদুনা চেল্লকখি। ইমাদা তম্বদা ইমানা হায়খি। নুপী লৈশাবীদো চেনবা ওইরমগনি। ঐনা খুমখি ইমা, চেনখিদে একাগারি তোংখি। 'চেনবা' হায়বসি করিনো অঙাং ওইবনা অমুক খঙখিদে । নুপীনা মাগা নুংশিনবা নুপাগা লোইননা চৎখিবদা (চেনখিবদা) মানা পুখিবা ময়োমদু নুপীদুগী মফি মরোল ওইরমগনি ৱাফমসিমসু ইমানা হায়খি।

থায়না নুপীনা মপাম লমদম থাদোক্লগা মাগা নুংশিনজবা নুপাগা লোয়ননা চেনবা মতমদা, শেৎন ইন্নবা মফি মরোল মশানা পুনরম্মী হায়বা ৱাফমসি কোন্না খঙলকখি। ৱারী অসে ইম্ফালগী উরিপোক মাইকৈগী নম্বুল তুরেলনা মশক ফজরিঙৈ নম্বুল তুরেলনা মপান ফরিঙৈগীনি। নুপীদুনা মাগী পাম্মু মকাদা ৱাইথুংনহনখিবগী নম্বুল তুরেল হিদেন তাফম অমগী ৱারীনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা থেংনখিবদুনি। শ্রীশ্রী বীজয়গোবিন্দদা কৎপা ষনশেনবা জগোয় য়েংনবা নম্বুল তুরেলগী হিদেন লান্থোক্লগা চেন্দুনা য়েংনরকই। মরক মরক্তা হিদা পোৎ হাপ্পগা য়োন্নবা কনাগুম্বনা নম্বুল তুরেলদা হোনগৎলকপসু থেংনখি।

ঐখোয়গী শাগৈগী পাবুংহল অমনা মখুৎতা খোইহাইবী হায়বা খোই চোপ্পবা মখল অমা ককচেং মরুম খরগা নম্বুল তুরেল কুমথদুনা খোই চোপ্পদা পুং অমগী মনুংদা সিলভর বাল্টিন তঙ্খায় হেন্না ঙাসেপ ময়াম অমা ফারকপা তোয়না উখি। চাক থিরিঙৈ তুরেলদা খোই চোপ্পগা ঙা চাননবা ফাবা নংলকই।

পেংবা হায়রিবা ঙাসিনা মরুম কোকলমদাইদা নম্বুল তুরেলদগী উরিপোক শামুশং উকুগী তুরেলগা শম্নবা খোং অচৌবদা কাখিদুনা লম্ফেল য়ৌরুরগা, লম্ফেল লৈবাক লৈশা চারগা মরুম কোকলম্মী অদুগা হনখি হায়বসি অহল লমন অখঙ-অহৈশিংনা ৱারী লীবীবা লৈখি। মৈতৈ পেংবা, মৈতৈ শারেংনা নম্বুল তুরেলদগী লম্ফেলগী খোং তম্না কারক্লগা য়াম্না লৈরম্মী হায়বসি ঙসি উরিবা নম্বুল তুরেলগী মশক, ঈশিংগী হু ওল্লবা অমুবা মচু, মনম চেল্লবা কবোকং নাপী শিংনাংনা মরোল মরোল হৌজিনখ্রবা, য়ূমথোং খুদিংদগী পুথোকলকপা ফৎত-হৌদিনা মীনুংশি লৈতনা নম্বুল তুরেলগী কোকথক্তা হৈথবীরিবা কয়া অসিদগী ওইরকখিবা ফিভম মশক অসি য়েংলগদি নৎত্রগা উরগদি নম্বুল তুরেলগী তোৰ্ব্বানগী লম্পাক মচা, নম্বুল তুরেলগী হিদেন তাফমশিংগী হৌখিবা ৱারীদি লীরুবদা কনানসু থাজবীররোই।

নম্বুল তুরেলনা অসুম থোক্লা খোয়না মখা মাইকৈ পাংনা চৎখিবদা নম্বুল মপালগী পীশুম থোংয়াদা লময়ানবা ইরাবৎকী মীতমনা লেপ্তুনা লৈবা হৌজিক উরি। নম্বুল মপালদা ঙান্থোইরিবা লময়ামবা ইরাবৎকী মীতম অসিগী অকোয়বদা ইনাকখুনবা

ময়াম্না পুথোকলকপা য়ূমগী অমোৎ অকায় ময়াম্না লেপ্তুনা হৈথবীরক্তুনা নম্বুল তুরেল তোৰ্ব্বান, খোংনুং য়ৌনা হৈদোকপীরি। হে লময়ানবা নঙগী নতীক নগুণদি শৈথারক্কনি নচাশিংনা নীংশিং কুমওন্না লাক্লবদা। থৌরম নোংঙানখিবদগী কনাসু হন্না য়েংলরোই। মপোক থা য়ৌরদুনা নখোং খাদ কৎনরিবা লৈয়ামসিগী মহুৎতা অমোৎ অকাইনা মহুৎশিন্না হৈথবীররনি নম্বুল তুরেল মপানসিদা শারবা কালেনগী নুংশাসিদা ওন্থোকপনি হে লময়ানবা নম্বুল তুরেলনা মোৎশিল্লকপদা নহাকপুসু য়াওশিনবীরি।

অদুঙৈগী লাইগী হাকতক্তা য়োইমোংবা তাওথিংমাংনা তুরেল খোংনুং তেঙখিবগুম তাইবংপানবা হাক্তক অসিদা কুমজা কয়া তেংলকত্রবা তুরেল নঙগী খোঙনুং অহানবগী ওইনা হন্দক্কী লৈঙাক্লা নম্বুল তুরেল তেঙদুনা ঈরম খোংলম শেঙলগনি হায়না খোঙলম শেংবা হৌরকখ্রে। লৈঙাক্লা হোৎনরক্লিবসিনা মায় পাক্লগদি শোয়দনা নম্বুল তুরেল মশক থোক্লগনি। নিংশা হোনবা ফংলগনি। অদুঙৈগী হিদেন তাফমগী ৱারী, তোৰ্ব্বান অনীগী অনৌবা ৱারীনা অরীবা ৱারীগী মহুৎ শিল্লরগনি খল্লুবদা থম্মোয়সি মরাঙ হৌই। লোক্তাক মাসু মোমোন নোকচরগনি। অশেংবা ঈশিংনা ঈরু শাদেংবা ফঙলগদি কুচু কুমেন থোক্লগনি।

হে নম্বুল তুরেল, নঙনা লৈত্রগদি নম্বুল মপালগী ৱারীসু তুংগী মীরোলনা লীররোই । খঙনীংবা, তানিংবা, উনিংবা ঙসিগী পাথৌ মখোয়নদি নঙগী লীক্লম থিজরি মোমোন অমুক্তং নোকহন্নীংলি । শকলমখি মতম অমদি নম্বুল তুরেলনা,মকোই নুংওল চীংজিলদা পাৎশোই নুরাবীগী কাওদাশৈ,তাকয়েল খোংবালগী নুংশিশৈ,নাওরেম ফাইবোকথোং,মচিল মনাও অনীগী পাঙ্গল চাংয়েং য়েংনশৈ, পাৎকী লৈরাং কোম্বিরৈ,লাঙ্গোল চীংমাই থন,লৌবুক লৈরী শাৎনলম,লম্ফেল নঙগী ৱারীসু নম্বুল মানা পুখিবনি। লোক্তাক লাইরেম্বী মানদি চীংজুম লাইজা অশেঙবা নম্বুল তুরেলনা পুরকপা খৌরাংনা ঙাইরি ঙসিসু। লোক্তাক লাইরেম্বী মহাক্কী খৌরাংবা অসি কোক্লবা খা-ৱাং অনীগী নম্বুল তোৰ্ব্বান খুন্দারিবা পাশা সলাই খুদিংনা খোংলম খোংনুং নালহল্লসি,হোইবু লাওনা তুতেংলসি,নম্বুল ঈচেল কলহল্লসি। চিন্দা লৈবদি অরেম্বনি, ৱাখলদা খনবসু অতনবনি থবক্লা উৎপনা অশেঙবনি। চৎখিনি মতমসু লোইখিনি,মিহুন্না মচেৎ লৈরিঙৈ চেলহৌসি কনবা নঙগনি, কান্নদে কূম্লসি খোংনুংদা, য়াদে খঙনসি মোৎহনগনুসি। মপা মপা লমশেংনসি নালহনসি হুন্দোক্লরোইসি ইকায়নসি, শৈথা ঈশৈ শক্তুনা নম্বুল মাইকৈ পাংলসি। ■

– মাখোনমনি মোংসাবা

# লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ট' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা )*

ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবা

প্যারীগা কায়নরবদা ঐঙোন্দা অহোংবা কয়া লাকখি। ঐগী পুন্সিসে থুগায়দুনা শরুক অনী থোক্লা তাখ্রবগী মতৌগুমখ্রে। শরুক অমনা শূরি-নোম্লিবা, লেঙলি-চৎলিবা পুন্সিগী মায়কৈরোমদা চৎলি। অদুগা অতোপ্পা শরুক অমদুদি প্যারীগী মপোৎ মরলনি। নোংদোল অতিয়াসিনা হেন্না মশক থোক্লা শংবান্নরিবা, মালেম লৈকোয়বুংসিনা অশংবা মচু ফিজেৎনরিবা, অমহিকসু নোংদোন্দা হুল্লিবা মালংবনা হেন্না হেন্না নামিরিবা অমসুং হকচাং তেকখৎহনবা মওংদা শহুল্লিবা পূম্নমকসি ঐঙোন্দদি মাগী মশুংলাংগীদমক্তনি। মদুগুম্বা তাইবঙদু ঐগী ওইজরম্মী অমদি ঐ মদুগী তাইবঙদুদা লুপচরমখি।

ঐনা পঞ্জখ্রিবা পেঞ্জবা নুংঙাইজবদু ঐঙোন্দগী মাঙখিবা চহী ফনা য়ামখ্রে, অদুমকপু মদুগীদমক ঐ থোইনা হেন্না পূক্লিং খোয়রাং-খোয়শাউরুবা তৌরুদ্রে। চাংদম্লিংঙাই লৈত্রবা নুংঙাইবা অমা ঐনা ফংখ্রে হায়বসিদা ঐগীদি পুল্লোই লোইজরে, - পূংপেন পেঞ্জবা হায়বদু ওইরে। নোংদম্বগী থৌজালগী মতিক ময়াইদুগী মরমদা খল্লুবদা ঐঙোন্দা শাথীনা অঙকপা পোক্লি, মদুগী মরমদি ঐগী ৱাখলনুংদা মদুনা ইথিল পীরকপা মতমদুদা ঐঙোন্দা লৈরম্বা নুং-পানগী অৱাবা পোৎলুম অমসুং খোয়শাউনবা ৱাখলগী নুংঙাইতবা কয়াবু নমথদুনা লাকশিনবা ঙমহল্লি অদুগা থৱায় মিরেলবু চাংজৌ নাইদবা হরাউ নুংঙাইবগী ঈথক ঈপোমথক্তা জগোয় শাদুনা লৈহল্লি। ঐনা ফংলিবা মপান নাইদ্রবা নুংঙাইবদু শোল্লবী অমসুং শোয়নীংঙাইতগী মশক ওইরবী প্যারীগী মখূত্তা শিন্নরম্বগী মহুত্তা তাইবঙবু খূর্জি পায়রিবা ইবুংঙো মাগী মফমদা শীন্নজরম্লবদি মদুগী মমল য়াম্লবা হী য়াইদু ঐনা ঙসি মাঙজখ্রিবা অসুম্না মাঙলম্লোইদবনি।

ঐনা পাটনাদগী হল্লক্লগা, প্যারীগী মফমদা শোয়দনা ইরক্কনি হায়না ৱাশক্লম্বা চেবাউদু পন্থবা তৌদনা খুদক্তা ইখি। মাগী পাউখুমদি থা কয়াগী মতুংদা তপ্পা ফংখি। ঐগী হকচাংগী ফীভমগী মতাংদা মানা নুংনাংবা পোকচবগী ৱাফম চেবাউদুদা ফোঙদোরকখি, অদুগা ঐ য়ারিবমখৈ থুনা য়ূম-কৈ পানশিন্দুনা চনীংতানা হিংনবা তকশিল্লকখি। মাগী থবক মফাং মফাং কয়াদা থৌ চিনবনা মরম ওইদুনা ঐঙোন্দা চেবাউ ইনবগী তাঞ্জা ফংদবা য়াই হায়না চেবাউগী ৱারোল ফিবান খোপচিল্লদুনা অসুম্না হায়জরকখি, "নঙদি ইতৎ-তত্তনা ঐঙোন্দা পোষ্টকার্দ অমমমদি থাবীরকউ অমদি করম করম পাল্লি হায়বদু খঙহনবীরকউ।"

মতাংসিদা ৱারী অদুম লোইরে। ঐনা মঙলান্দা ৱাখলগী দলাল শাগৎচরুবদু মচেৎ মচেৎ তানা নীংখায়খি। য়ূমদুগী অতেক-অকায় খরা লৈমায়থক্তা তাদুনা লৈরম্বা থোক্লবসু মদুদা য়েংলুদুনা ঐনা মতম মাঙহনবা অমুক তৌখিদ্রে। ঐ খজিক্তং কপ্লম্বদি য়াই- মদু ঐ নীংশিংবা ঙমদ্রে। অসুম তৌদুনা থা তরুক অদুম হৌখি।

অয়ূক অমদি, ঐনা য়ূমদগী চখোক্কে হেক তৌবা তাঞ্জাদুদা চেবাউ য়েনবা অমনা ঐঙোন্দা চেবাউখাউ অমা পীরৈ। মথক্তুদা নুপীগী তনিক-তনিকপা খূৎইদা ঐগী মিং ইরকই। মনুংদা য়াওরিবদু শত্তোক্লুবদা খরা চাউরপ তৌবা অথুপ্পা চে অমগী মনুংদগী খরা পীকথরপ তৌবা নাপু মচুগী চে অমা নাম্থদুনা তারকখি। মদুদা ইরিবদু ঐগী ইমাগী খূৎইনি অমসুং মদুদা মাগী খূৎয়েক য়াওই। মাগী মতারোয়না (গঙ্গাজলনা)* মমোম অমা পোক্লকপগী অৱাবা লাইবক্তু ফংলবা মতুংদা ঙসিদগী চহী তরাহুমদোইগী মমাঙদা মঙোন্দা ইরকখিবা চেবাউদুগী পাউখুমনি। হায়ফম তৌফম খঙদনা মকোক-মরু চাউরবা মতমদুদা মাগী থম্মোয়গী চৈনা কয়াদু ফোঙদোক্তুনা ইমাদা মানা চেবাউদু ইরকখিবনি, মদুদা হায়রক্লিবনা - মহাক শেল-থুমগী ফীভম য়াম্না ফৎত্রে অদুনা মচানুপীগী ৱায়োংচাবা বর অমা থিবদা ৱারগনি, হায়বসিনি। মাগী ৱাজরবী থম্মোয়দুবু থেমজিনবীদুনা ইমানা মঙোন্দা অসুম্না ৱাশক্তুনা অমুক ইখিবনি, মদুদি - করিগুম্বা মাগী শেল-থুমগী অৱাবা পোৎলুমদু মদুদগী অমুক হেঞ্জিন্না ৱাবগী ফীভম লাক্লবদি মাগী মচা নিংঙোলদু মমৌ ওইনা মচানুপাগীদমক লৌশিনগনি হায়না।

চেরোলদু ঐ পারম্মী - হঞ্জিন হঞ্জিন পারম্মী। মদু ৱাশকচে অমগী মতিক মপাঙ্গল অদুদগী করিসু হন্থবা নত্তে। ৱাফমদুদা থোইনা লুনা খঞ্জিল্লুবা তৌরুদনা হায়দোকখিবদু হৈশিংলবা উকিল অমনা শোয়দনবা মওংদা ইখিবগী মতৌগুম্না মাগী ৱাশক অদুনা ঐবু চেৎনা ফাজিন দুনা থমখ্রে। মদুদগী ঐনা নান্থোক্তুনা চেঞ্জবা ঙম্নবা অহোবা অশোনবা মফম অমত্তসু মানা থম্বীরমদ্রে। মাগী নুংশিরবী মতারোয়না মাগী তানফম থোকপা দাবীদু তান্দদুনা করিগীদমক্তা দলিল অসিবু অসুক শাংবা চহী তরাহুমদোইসি পায়শিন্দুনা তেক্ত-কায়দনা থম্লম্লিবনো হায়বগী মরমদুদি তশেং-তশেংই, চমম্নীংঙাই ওইদে। ঐঙোন্দগী হেনবা কনাগুম্বা বর অমা লাকপা য়াই হায়না মানা থাজবা থম্লম্বনি। মানা নীংজরিবা আশাদু করিসু ওইদ্রবদা, অদুগা মাগী মমোম লাংলেন্দু হম্-হম্ চাউদুনা ফজনা শারেপ-কাঙদোং ফারকপদগী লৈকায়গী মীশিংনা মিতারক্তুনা মীৎয়েং কারন চনবা হৌরক্লবা মতমদুদা মানা তঙাইফদনা মখূত্তা পায়রিবা খূৎলায়দু চিংথোক্তুনা শীজিন্নবা তারকখিবনি।

করিগুম্বা ঐগী ইমা হিংদুনা লৈরম্বা থোক্লবদি ঐবু অসিগুম্বা ফীভমদা তাহনবগীদমক মাবু হিংয়োৎ য়োৎলমগদবনি। অদুবু হৌজিক্তি ঐনা মাবু ফংবা ঙম্বগী ৱাদি থাপ্পা তাম্না লৈখ্রে, লৈজবী থাদুনা মাঙজোং চোংশিল্লবসু মাগী খোঙবী মতোন্দু ফাও শোকপা ঙম্লুগদবা লৈত্রে। ইমাগী মতানি হায়বী নুপীদুগা উন্নথোক্লুরগা ঐগী অতাবী পল্লেপফম অমা খঙদোক্লবা তৌরগে হায়না পূক্লিংদা চপ য়ুংনা খল্লে, লোয়ননা ৱাখল লমফৈ অমত্তা খল্লুদনা মাগী খুঙ্গংদু য়ৌনবা অহিং অদুমক্তদা ত্রেন তোংদুনা চৎলে। ঐনা মাগী পিক্লবা খাংপোকশঙদুদা থুংলুবা মতমদা ঐ লমশাং লাকপগী অৱা হুইজোং লাংবদা লোইরে, অদুগা মতমদু নুমিৎয়ুংবা মতুংগী নুংথিল পোবোব ওইবনা ইমাবেম গঙ্গাজলদু নুংথিলগী ঙহাক উইরোল-শারোল তূমদুনা লৈরম্মী। ঐবু উবদা মা খংপ্রেপ খংখি, অহানবদদি ঐবু শক লাকশিনবা ঙম্লুদ্রবসু মথং তারকপদদি ঐবু য়েংল-য়েংলগা য়াম্না কপচখি অমদি ঐখোয় ইমা কায়নখিবগী ফীভমদুদা মথম্মোয় শোক্লা তেংথাদুনা কুইনা কপমনখ্রদুনা ঐ মাগীদমক নুংশাথীবা পোকখি। মদুদগীদি, ঐগী লাইওইখ্রবী ইমাগী মহুৎ শিন্দুনা ঐগীদমক লেপ্পিগদবা মীসি মা নত্তনা অতৈ কনাসু লৈররোই হায়বগী অচেৎপা থাজবা উত্তুনা ঐঙোন্দা মখল মখা কয়াগী ৱাহং ময়াম অমা হংথরকখি - ঐগী ইপানা শেল, লন-থুম অমসুং লম কয়াম থম্বীরম্মী, ইমাগীনা লীক-কোন কয়া য়াম্না লৈ, ঐ করিগী হিংনবা শেন্দান লন্বী অমা পায়দ্রিবনো, থবক অমা চঙবা তারবদি নহাক তোলোপ কয়াদি ফংনি নিংঙি - অসিনচিংবা। ৱাহংশিং অসি, অদুগা অতৈ ময়াম অমসু মানা য়াম্না হৈশিংনা মীৎকুপ খরগী মনুংদা থিন-থিন্দুনা ঐঙোন্দগী খঙদোক্লবা হোৎনখিবনি।

মানা ঙসাইদগী তৌজরিবা কয়াদুনা মঙোন্দা কান্নবা অমত্তসু ফংহনবা ঙমদ্রে হায়বা খঙলে- মরমদি মানা ঙাঙবমখৈ ফনা য়াম্না ঙাঙজরুরবসু পোলোইদদি মানা নীংজরম্বা আশা পূম্বা মচেৎ তানা কায়রে হায়বসি ময়েক শেংনা উবা ঙম্লে। নুংহিক্লনা কপ্পিংবা মায়থোং উৎলদুনা মাগী অরোইবা ৱাহে ওইনা ঐঙোন্দা হায়রকখি, মদুদি মাগী মরী-মতা থোকপা মী বর্মা হায়বা অথাপ্পা লমদুদা চৎখিদুনা শেনয়াম পায়বা মীশক অমা ওইখ্রে, মফমদুগী সহরগী লন্বীশিংদুদি সনানা ঈঙ্খ্রি শীৎপনি অদুগা মফম অদুদদি বঙ্গালী মচাশিংদি থোইদোক হেন্দোক্লা মমল য়াম্বা মী ওইনা মখোয়না শীংথানদুনা তোংলক্লিবা জহাজদগী হেক কুমথবদা মখোঙ লৈবাক তাহন্দনা থাংদুনা পুবি- অদুদগী সাহেবশিংনা মখোয়বু তাপ-তাপ লাক্লদুনা পুখ্রগা থবক, শেল, শক্তি অমসুং মীংচৎ য়াম্না ফংহল্লি। ইমা গঙ্গাজলগা অহানবা ৱারী শানবদু ঐ লৈতানা ফমদুনা পূক্লিং চঙনা অমসুং নুংঙাইনা তারম্মী। মাগী ৱারীদুদা ঐনা য়াম্নমক হেক নুংঙাইরুরিবা, হেঞ্জিন্না খোয়দারুরিবসি মানা লন-থুম, সনা-লুপা কয়াগী অমদি বঙ্গালী মচাশিংনা বর্মাদা ফংলিবা অখন্নবা অৱাংবা ফিদাদুগী মরমদা মরিক চুম্না শৈথারকপদুগী নত্তে। ঐনা নুংঙাইজরুরিবসিদি মানা লমদমদুগী মরমদা সেরান্ননা তারিবা, খল্লিবা অদুগা মী কয়ানসু থাজনা লৌরিবা - ঐনসু কোন্নথংদদি লাল্লি খঙলকখিবা অরানবা ৱারী অদুদনি। খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা চাংজৌ নাইদনা পাক্লবা ঈপাক অমা লাল্লগা য়ৌবা ঙমগদৌরিবা মঙলৈবাক্কুম্বা লমদমদুগী ৱাখল খল্লুবদা চহী কয়া লীশাং শীৎনা মতিং থোক্তনা তূমদুনা লৈরুরবা কোয়চৎ চৎপা পামজবা ঐগী পূক্লিংদু মদুনা অমুক হন্না য়াকায়হল্লকখি। মফমদুদা ঐ য়াম্নমক হেক চৎনীংলকখি।

-মথং-মথং